

# ইন্দিয়াগী অহুমশুবা খ্বায়দগী ৱাংবা এৱার্দ পদ্মা ভুসন সানিয়া মিরজা অমসুং সাইনা নেহৱালদা পীরগনি

## সানিয়া ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৫ ঃ

মাঙজৌননা মশীং য়াম্লবা ৱর্ল্ড টাইটল অমসুং এৱার্দশিংনা য়োম্লবী সাইনা নেহৱাল অমসুং সানিয়া মিরজানা চহী অসিগী অনৌবা খুদোল ওইনা অনৌবা মিংচৎ অমগসু হাপচিন্দুনা লুপাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম থোকখ্রে।

মিরজা অমসুং নেহৱালবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চৎলিবা কুমজা ২০১৬ কী ওইনা পদ্মা ভুসন এৱার্দপীনবা খনগৎখ্রে। সাইনানা মাঙজৌননা কুমজা ২০০৯ দা অর্জুনা এৱার্দ, কুমজা ২০০৯-১০ দা রজিভ গান্ধি খেল রত্না অমসুং কুমজা ২০১০ দা পদ্মশ্রী এৱার্দশিং ফংখি।

সাইনানা কুমজা ২০১৫ দা নিংথিনা শান্নবা হৌরকখ্রবসু চহী লোইরমদাইদা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা ফজনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক হায়দ্রবাদকী নুপীমচা অসিনা কোচ ভিমল কুমারগী মখাদা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম মওং তানা পুরক্নবগীদমক বেঙ্গলোরদা অকনবা ট্রেনিং তৌখি। সাইনা অসি চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী মেদল লৌগনি হায়না আশা চাউনা তৌরিবা প্লেয়রনি। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা সাইনানা ব্রোঞ্জ মেদলসু লৌখি।

অমরোমদা সানিয়া মিরজাসু কুমজা ২০০৪ দা অর্জুনা এৱার্দ, কুমজা ২০০৬ তা পদ্মশ্রী অমদি কুমজা ২০১৫ দা রজিভ গান্ধি খেল রত্না এৱার্দ ফংখি। সানিয়া অমদি মহাক্কী জুরা মার্টিনা হিঙ্গিসনা হৌজিক ৱিমেন’স দবলস টেনিসতা রেকোর্দশিং থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্লি। দো অসিনা মেচ ৩৩ থংনা থংননা মায় পাকপগী রেকোর্দ থমদুনা মখা তানা মেচ ৪৪ মায় পাকপগী রেকোদ থম্নবা চঙশিল্লিবনি।

ইন্দো-স্বিস অসিনা কুমজা ২০১৬ তা খোঙহৌ ফনা লাক্তুনা চহী অসিগী অহানবা মেজর টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দবলস টাইটল লৌনবা খোঙফম চেৎনা লেপ্লী।

অমরোমদা, মেলবোর্নদা চত্থরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিমেন’স দবলস ইভেন্টতা সানিয়া মিরজা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা মখোয়গী টাইটল লৌনবগী চঙশিল্লিবা খোঙজংদা সভেটলানা কুজনেটসোভা অমদি রোবার্টা ভিন্সিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দো স্বিসকী জুরা অসিনা অনসীদেদ রুসিয়ন ইটালিয়ন কোম্বোবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিবদা পুং অমগা মিনিট ২০ চঙখি। সানিয়া অমদি মার্টিনানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ১২ শুবা সীদেদ জর্মন-অমেরিকান কোম্বো অন্নালেনা গ্রোনফেল্ড অমদি কোকো ভান্দেৱেঘকা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। মেচ অসিদা ইন্দো-স্বিস অসিনা মায় পাক্লবদি সিজন অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ওইরগনি।

# সাগতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা-নুপী টিম লাউথোকখ্রে, নুপী টিমদা সুশিলা চনু য়াওরে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৫ ঃ

ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপী হোকি টিম লাউথোকখিবদা নুপীগী টিমদা মণিপুরগী সুশিলা চনু পুখ্রম্বম য়াওরে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমবু মন্দীপ অন্টিলনা লুচিংগনি। টিম অসিদা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবা মিদ ফিল্ডর গুরবাজ সিংহ হল্লকখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রিতু রানীনা লুচিংগনি।

সাউথ এসিয়ন গেমস অসিগী নুপীগী সেক্সন্দা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কা অমদি নেপালগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অদুগা নুপাগীদনা বংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা অমদি আর্ক রাইভেল পাকিষ্টানগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

হোকি মেচশিং অসি ফেব্রুৱারি ৭ তগী ১৪ ফাওবা গুৱাহাটিগী ভেটাপারাদা লৈবা মৌল্লানা এম দি টায়াবুল্লাহ্ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। নুপাগী ইন্দিয়ন টিম অসি মপুং ফাবা টিম অমা ওইদ্রি। টিম অসিগী কোচনা বি জে কারিঅপ্পা অমদি অন্টিলনা কেপ্তেন ওইরি।

টিমদা য়াওরিবশিংদি ভিকাস দাহিয়া অমদি পঙ্কাজ রাজকনা গোলকীপর ওইরি অদুগা গগনপ্রীট সিংহ, চিয়ান্না এ বি, সুখমঞ্জীট সিংহ, নিলম সঞ্জিপ এক্সেস, অজিটেশ রোয় অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গুরবাজনা টিমগী দিফেন্স লাইনদা লৈরি। গুরবাজনা দিসিপ্লিন য়াওদবা থবক তৌখিবদগী থা মাপন অথিংবা থমখিবা অদু হন্দোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন টিমদা হল্লকখিবনি।

মিদফিল্ড লাইন্দা মনপ্রীট সিংহ, মঙ্গল সিংহ চাহল, ভিকাস চৌধরি, অজয় যাদভ অমদি প্রধান সোম্মান্না শেন্নি অদুগা মোহম্মদ উমর, অনুপ অমরপাল ভালমিকি, মন্দীপ অন্টিল, পি এল থিম্মান্না, গগনদীপ সিংহ অমদি অজিৎ কুমার পন্দেনা ইন্দিয়ন টিমগী ফোরৱার্দ লাইন্দা লৈরি।

টিমগী মেম্বর অপুম্বা কেম্পতা মতম খরা লৈমিন্নদুনা প্রেক্টিশশিং চত্থরি অমদি চত্থরিবা কেম্প অসিনা নুপামচাশিং অসিগী মপাঙ্গল হেঙ্গৎহন্দুনা শক্তি লৈবা টিম অমনি হায়বদু শোইদনা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস অসিদা উৎথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিম মেম্বর ১৮ না চীফ কোচ নেইল হাওগুদ অমদি রানীগী লিচিং মখাদা শান্নগনি। টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি য়োগীতা বলি অমদি সোনাল মিঞ্জনা গোলকিপর অদুগা জাস্প্রীট কৌর, রেনুকা যাদভ, গুরজীট কৌর, হনিঅলুম লাল রৌট ফেলি, সুশিলা চনু পুখ্রম্বম অমদি পোন্নাম্মা মাল্লামাদা নরেন্দ্রনা ইন্দিয়াগী দিফেন্সিব ৱালগী মথৌ পুগনি। রিতু রানীগা লোয়ননা দীপিকা, সোনিকা, প্রীতি দুবে অমদি শ্যামা টিরগামনা মিদফিল্ডদা লৈগনি অদুগা রানী, জয়োটি গুপ্তা, পুনম বরলা, নেহা গোয়েল অমদি য়ৌন্দারয়া য়েন্দালানা টিমগী ফোরৱার্দতা লৈগনি।

## ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ ঃ

মথং থাগী ৩ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬০ শুবা ষ্টেট লেভেল ভেটরান টিম চেম্পিয়নশিপ্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩০ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ৱাঙ্খেইগী ঈ এস য়ু কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশনগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন’স ফুটবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৫ ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মথং থাগী ৪ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন’স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরদা বিরমঙ্গল কোলেজ শওম্বুংদগী ঈ দেবলা, এন জি কোলেজদগী এ সুসিলা, দিফেন্দরদা বিরমঙ্গল কোলেজদগী কে অনিতা, ষ্টেন্দর্দ কোলেজদগী রেবিকা ওইনাম, শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কোলেজদগী এম বিজেতা, এন জি কোলেজদগী এল মাধবী, ময়াই লম্বী কোলেজদগী এল মিরা, এন জি কোলেজদগী দল্লিয়ু লিম্থোইঙম্বী অমসুং ময়াই লম্বী কোলেজদগী এস বন্তিনি।

মিদফিল্ডরদা এম য়ুদগী সি ঐচ বিনোমালা, ষ্টেন্দর্দ কোলেজদগী টি ঐচ রোমি, পি ঐচ বিনা, শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কোলেজদগী রধাপ্যারি, এন রোনি, এন জি কোলেজদগী ঐচ সুনিতানি। ফোরৱার্দতা বিরমঙ্গল কোলেজদগী সয়িদ বক্সেরা, ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজদগী এল রাধারানি, শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কোলেজদগী এস তেজিবালা অমসুং এন জি কোলেজদগী এল আসারানিনি। রিজার্ভ ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কোলেজদগী ঐচ হেমারানি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এন সরিনা, মিদফিল্ডরদা ময়াই লম্বী কোলেজদগী এস সুনিতিবালা, ফোরৱার্দতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এন জেরিনা অমসুং এ গিতারানিনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন’স ফুটবোল টিমগী কোচ ডা. এল সন্তোসতা থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মশা মশাগী প্লেয়িং কিটসকা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।









Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com